## ফ্লাইটশিং মহৌশাগুম ওপরেট তৌরি

দুবাই, জুন ২৯:
যু এসকী ওফিসলশিংনা লম চৎথোক চৎশিনদা অনৌবা অথিংবা কয়া লাওথোকখ্রবা মতুংদা এমিরেটসনা মহৌশাগুম্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ফ্রাইটশিং ওপরেট তৌরি হায়না মিদল ইষ্টকী খ্বাইদগী চাওবা এয়রলাইন অসিনা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

যু এসকী ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা চাইথোকখিবা গাইদেন্সকী মখাদা মুস্লিমশিংনা মেজোরিটি ওইবা লৈবাক তরুক্কী ভিজা এপ্লিকান্টশিংনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা লাক্কে হায়রবদি যু এসতা লৈবা য়ুমগা ইমুংগী অনকপা মরী লৈনগদবনি নত্রগা যু এসকী এন্টিটি অমগা ফোর্মেল মরী লৈনগদবনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লৈবাক অসিদা পাইরক্কদবা ফ্লাইটশিংগী ওইনা অনৌবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিংসু লাওথোকখ্রে। অনৌবা সিক্যুরিটিগী থৌরাংদু কেবিনদা লেপতোপ পুবদা অথিংবা থল্লবদু কোমথোক্লবা নত্রগা কা হেন্না চেৎশিনহনবগীদমক্তনি

যু এসতা চংনবগী ভেলিদ এন্ট্রি ভিজা অমা য়াওনা মরী লৈনবা ট্রাভেল দোক্যুমেন্টশিং পাইগদবনি। হিরম অসিগী মতাংদা যু এসকী কষ্টমস অমসুং বোর্দর প্রোটেক্সননা এমিরেটসপু মখা তানা গাইদ তৌরি।

## কটরনা গল্ফকী লৈবাকশিংগী দিমান্দশিং য়াখিদ্রে তৌইগুম্বসুং ৱারী শান্নবা থোং হাংলি হায়রি



দোহা, জুন ২৯:
লোগী মীৎয়েংদা তানবদা থোক্কদবা ইসুশিং আরাব লৈবাকশিংগা খন্নমিন্ননবা শেম শাদুনা লৈ, তৌইগুম্বসুং আরব লৈবাকশিংনা হৌখিবা চয়োলদা পুথোকখিবা লিষ্ট অমদি থুংহন্নবা তৌবদা ওইররোইদবা দিমান্দ খরা য়াওই মরমদি মখোয়দু অচুম্বা দিমান্দশিং নত্তে হায়না কটরনা ফোঙদোকখ্রে।

সাউদি আরাবিয়া, য়ুনাইটেদ আরাব এমিরেটস, বেহরেন অমসুং ইজিপটনা কটরগা লৈনবা মরী পুম্বা থদৎখিবদগী থা অসিদা আরাব লৈবাকশিং অসিগা কটরগী মরক্তা য়েংথীনবগী ফিভম লাকখি। য়ুম্লোন্নবা আরাব লৈবাকশিং অসিনা টেররিজম শৌগৎলি অমসুং রিজনেল য়েক্লবা ইরানগী মীচং অমা ওই হায়রদুনা কটরনা মখোয়গা লৈনরিবা দিপ্লোমেটিক মরী পুম্বা থদৎখিবনি।

দিপ্লোমেটিক অমসুং এভেল লিঙ্কশিং থদৎপা হায়বসি হৌখিবা চহী কয়ামুকসিদা যু এসকী মীচং লৈবাকশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী শাথিবা য়েংশিনবগী থৌদৌশিংগী মনুংদা অমা ওইরকখি।

আরাব লৈবাক মরিনা দোহদা দিমান্দ ১৩ য়াওবা লিষ্ট অমা পীশিনখিবনি। পনবা য়াব দিমান্দ খরদি তৌবা অল জজীরা টেল্লিভিজন থীংজিনবা অমসুং ইরানগা মরী ককথবা অসিনি হায়না লৈবাক মরিগী মরক্তুগী অমগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। লৈবাকশিং অসিনা দোহাদা দিমান্দশিংদু থুংহন্নবা ষ্টেপ লৌখৎনবগী নুমিৎ ১০ নিগী মতম পীখি।

দোহাদা আরব লৈবাকশিংনা পীরিবা মতমদু নোংমাইজিং নুমিৎতা লোইগদবনি। কটরগী ফোরন মিনিষ্টর শৈইখ মোহম্মদ বিন অব্দুল বাহমন অল-থানিনা শগোলশেন নুমিৎতা হায়খি মদুদি, কটরনা গল্ফকী অতৈ লৈবাকশিংগা লোয়ননা লোগী মীৎয়েংদা য়াবা, ইস্যুশিং খন্নবা পামই তৌইগুম্বসুং দিমান্দ খরদি মরম চাদে।

ঐখোয়না ইস্লামিক ষ্টেট, অল-কাইদা অমসুং লেবানিজ সিরা মিলিটেন্ট গ্রুপ হেজবোলা হায়রিবশিং অসিগা মরী তৎনবা ঙম্লোই, মরমদি অসিগুম্বা মরী অমৎতা লৈতে হায়না থানিনা ফোঙদোকখি। মহাক্লা মহাক্কী লৈবাক্লা ইরানগী রিভোলুস্নরি গার্দ অমৎতা তাম্থোকপা ঙম্লোই মরমদি মখোয় অমৎতা কটরদা লৈতে হায়খি। রশিয়াদা লৈবা য়ু এ ঈগী এম্বেসেদরনা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা দিমান্দশিং অদু ইনদবা তারবদি কটরনা অনৌবা অথিংবা কয়া মায়োক্লগনি।

গল্ফকী লৈবাকশিংনা মখোয়গী ট্রেদিং পার্টনরশিংদা মখোয়গা থবক তৌমিন্নগদ্রা নত্রগা পোহগো ওইনা তৌমিন্নগদ্রা হায়বদু খনগদবনি হায়না মহাক্লা পাউচে অমগী ইন্টরভ্যু অমদা হায়খি।

আরাব লৈবাক মরিগা মুক্লবগী ফিভমদুদা নেটোগী মীচং লৈবাক অমা ওইরিবা টর্কিনা দোহাবু শৌগৎখি। কটরগী দিফেন্স মিনিষ্টরনা ইরাই নুমিৎতা অঙ্কারাদা চৎকনি অমসুং লৈবাক অদুগী মহাক্কী লেংমান্নবগা ৱারী শান্নগনি হায়রি।

## সিনেটরশিংনা রশিয়ন কম্পেনিগী সোফৱ্যের শীজিন্নহন্দনবা হোৎনরি



ৱাশিংটন, জুন ২৯:
যু এসকী সিনেটরশিংনা লৈবাক অসিগী মিলিটরিবু মোস্কোদা বেজ ওইবা সাইবর সিক্যুরিটি ফার্ম কাসপের্স্কি লেবনা শেম-শাবা সোফৱেয়র শীজিন্নবা থীংনবা হোৎনরি।

সিনেট আর্মর্দ সার্ভিসেস কম্মিটিনা যু এস দিফেন্স দিপার্টমেন্টবু কাসপের্স্কিগী এন্টি ভাইরস সোফৱেয়র শীজিন্নবা থীংগদবা দিফেন্স স্পেন্দিং পোলিসি বিল অমা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা রিলিজ তৌখ্রে। কম্মিটিনা রশিয়ন কম্পেনি অদু মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর মরু ওইনা ঐখোয়গী লৈবাক্কী সিক্যুরিটিদা য়াম্না মরু ওইরিবা কম্প্যুটর সিষ্টেমশিং ঙাক শেনবদা থাজনিঙাই ওইদে হায়রদুনা বিল অসি পুথোক্লিবনি হায়না সিনেটর জেন সহীন (দি-এন ঐচ)না ফোঙদোকখি। সিনেটর অসিগী ষ্টেটমেন্টনা কাসপের্স্কি লেব অমসুং ক্রেমলিনগী মরী মীপাইনিঙাই ওই হায়নসু ৱার্নিং তৌখি।

যুএসকী তোঙান তোঙানবা সিটিশিংদা লৈরিবা কাসপের্স্কি লেবগী ইমপ্লোয়ীশিংবু এফ বি আইনা ইন্টরভ্যু তৌখিবা নোংমা লৈরগা রিলিজ তৌরিবা বিল অদু সিনেট অমসুং হাউসনা মপুং ফানা এপ্রুভ তৌরবা মতুংদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা সাইন তৌগদবনি।

এফ বি আইগী এজেন্টশিংনা হৌখিবা লৈবাকপোকপগী অথেংবদা যু এসকী সিটি কয়াদা লৈরিবা কাসপের্স্কিগী ইমপ্লোয়িশিং উন্নখি। মদুদা সার্চ ৱারেন্টশিং সার্ভ তৌখিবদি লৈতে। কাসপের্স্কি লেবকী মায়কৈদগীসু এফ বি আইগী এজেন্টশিংনা কম্পেনি অসিগী যু এসকী ইমপ্লোয়ী খরগা ৱারী ৱাতাই খরা তৌখি হায়বসি কনফার্ম তৌখি। এফ বি আইগী মায়কৈদগীদি কাম্মেন্ট পীখিদে।

হৌখিবা থাদা যু এসকী সিনিয়র ইন্টলিজেন্স ওফিসলশিংনা সিনেট ইন্টলিজেন্স কমিটিগী মমাঙদা পীখিবা ৱারোল অমদা মখোয়না গভর্ণমেন্টনা কাসপের্স্কি লেবকী সোফৱেয়র শীজিন্নবগী মওং রিভ্যু তৌরি হায়খিবনি।

## ওষ্ট্রেলিয়া, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা খ্বাইদগী চাওবা অপুনবা মিলিটরি এক্সরসাইজ তৌখ্রে



সিদনি, জুন ২৯:
ঈশিংদা ফোর্স উৎপগী অচৌবা থৌদোক অমদা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা শগোলশেল নুমিৎতা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মখোয়গী খ্বাইদগী চাওবা জোইন্ট মিলিটরি এক্সরসাইজ হৌখ্রে। এক্সরসাইজ অদু মীচংশিং অমসুং চাইনা য়াওনা য়েক্ল বশিং ওইরকপা য়াবা লৈবাকশিংদা পাউজেল অমা পীনবা পাঙথোক্লিবনি হায়রি।

বেট্রলসিপশিং য়াওবা যু এস অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ন ত্রুপ ৩৩,০০০ চেন্নবা জোইন্ট এক্সরসাইজশিং অদু চাইনানা মিলিটরি পাঙ্গল উৎপা হেনগৎলকপগী মওংনা য়েংথীনবা থোকহল্লকপা য়াবগী অকিবা হেনগৎলক্লিঙৈদা পাঙথোক্লিবনি।

যু এসকী পেসিফিক কম্মান্দগী মকোক এদমিরেল হেরি হরিসতা চাইনানা এক্সরসাইজ অদুবু করম্না য়েংলক্কদগে হায়না হংবদা মহাক্লা হায়খি, দিপ্লোইমেন্ট চাওনা তৌরিবদু সিগ্নেল অমা ওইননি। ঐখোয়গী মীচংশিং, মরুপ মপাংশিং, পার্টরশিং অমসুং য়েক্লবা ওইনা লৌরকপা য়াবশিংদা অসিগুম্বা পাউজেল অমা পীবসিদা ঐহাক নুংঙাইবা পোকই হায়না হেরিলনা যু এস এস বোনহোম রিচার্দতা য়াওরিবা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

চাইনানা পেসিফিকতা পাঙ্গল উৎতুনা মুকপা হেনগৎলকপগী মওংনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা থাজবা থৌওং কয়ানা মরম ওইদুনা হন্দক থা খরসিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং বৈজিংগী মরী শোকচিল্লকখি। সাউথ চাইনা সিদা লৈবা মিলিটরি ফেসিলিটি কয়া য়াওবা বৈজিংগী খুৎশেমগী ঈথৎনা অকোইবা লৈবাকশিং অমসুং যু এসপু নুংনাংবা পোকহনখিবনি।

চাইনানা রিসোর্স মরাং কাইনা লৈবা সাউথ চাইনা সিগী অয়াম্বা শরুক ক্লেম তৌরিবনি। চহী খুদিংগী সি অসিদা দোল্লর ট্রিলিয়ল মঙারোমগী ললোন ইতিক্কী পোৎচৈশিং পুথোক পুশিন তৌরিবনি। ব্রটেন, মালেসিয়া, ফিলিপিন্স, ভিয়েটনাম অমসুং টাইৱাননসু ঈশিং লম্বী অসিদা ফাংজিন্নবা ক্লেম কয়া তৌরিবনি।

হৌখিবা চহী মহুম্লোমসিদা চাইনানা সাউথ চাইনা সিগী অপিকপা ঈথৎশিং অমসুং রীফ তরেৎতা লম একর ৩,২০০ হেন্না হাপচিনখি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চাওরাক্লা পারি। চাইনানা ঈথৎ মচাশিং অমসুং রিফশিংদুদা রনৱেশিং শেমখি, স্পোর্টশিং, এয়রক্রাফট হেঙৱশিং শাখি অমসুং কম্ম্যুনিকেসন্সকী ইক্কিপমেন্ট থমজিনখি।

## আই এসনা পাইরম্বা মোসুলগী মোস্ক ইরাকি ফোর্সশিংনা পাইশিনখ্রে



করাকাস, জুন ২৯:
চহী অহুমগী মমাঙদা ইস্লামিক ষ্টেটকী লিদরনা কালিফেট অমা শেম্লে হায়না লাওথোকপদা শিজিন্নখিবা মোসুলগী পুৱারীগা শাগোন্নরবা অমসুং অকাই অতোই নংলবা মোস্ক ইরাকি ফোর্সশিংনা শগোলশেন নুমিৎতা পাইশিল্লে হায়না ইরাক্কী লিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।

গ্রান্দ অল-নুরি লৌশিনবা ঙম্লিবদু থা নিপান হেন্না মোসুলবু পাইশিন্নবা কন্না লান শোক্লরকখিবা ইরাক্কী ফোর্সশিংগী মায় পাকপগী খুদম অমনি হায়না লৌনরি। ইরাক্কী নোরদর্ন সিটি অসি লৈবাক অসিগী ওইনা ইস্লামিক ষ্টেটকী দি ফেক্তো কেপিটেল ওইদুনা লাকখিবনি।

পুৱারীগী ময়াই থংবা মতমগী মোস্ক অমসুং মদুগী লেন্দমার্ক অপৈবা মিনারেটতু চয়োল অমগী মমাঙদা যু এসনা বেকিং পীবা ইরাকি ফোর্সশিংনা মফমদু তম্না চঙশিনবা হৌখিবদা ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিংদুনা থুগাইখি। মখোয়গী অমুবা ফিরাল হৌখিবা ২০১৪ গী জুনদগী মমিং লৈরবা অল-হদক মিনারেট অদুদা পাইহল্লকখিবনি।

মখোয়গী ৱাখলনা শেম্বা ষ্টেট অদু হৌজিক তুরে হায়না ইরাকি মিলিটরিগী স্পোক্সপার্সন বৃগেদিয়র জেনরেল য়াহয়া রাস্ফলনা ষ্টেট টিভিদা ফোঙদোকখি। ইস্লামিক ষ্টেটনা মসিগী অমাক ন্যুজ এজেন্সিদা সাইট অদু যু এসকী এয়রষ্ট্রাইক অমদা হিট তৌখিবনি হায়না ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং যু এসনা লুচিংবা কোলিসন্নদি ইরাক্কী খ্বাইদগী চাওবা তুংশিন্দুনা থম্বা লনশিংগী মনুংদা অমা ইস্লামিক্ত ফাইটরশিংনা থুগাইখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটরশিং অরিবা সিটি অদুগী মফম খরখক্তা মশিং য়ামদনা চাইরগা লৈবনা মরম ওইদুনা ইরাকি ওথোরিটিশিংনা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা লাল অদু লোইশিল্লগনি হায়না থাজরি।

প্রাইম মিনিষ্টর হাইদর অল অবাদিনা লালদু লোইশিন্নবা ইন্সট্রক্সনশিং পীখ্রে হায়না মহাক্কী ওফিসনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবনি।

## নেটোনা অফঘানিষ্টানদা অহেনবা ত্রুপশিং থারগনি, লাল শোক্লবদদি য়াওরোই: নেটো চীফ



ব্রসেলজ, জুন ২৯:
অফঘানিষ্টানদা নৌনা অমুক মপাঙ্গল উৎথোরক্লিবা টালিবান থেংনবদা গভর্ণমেন্টবু মতেং পাংনবগীদমক নেটোগী মীচং লৈবাকশিংনা লৈবাক অসিদা থল্লিবা ত্রুপশিংগী মশিং হেনগৎহল্লগনি, তৌইগুম্বসুং লাল শোক্লবদা অমুক হন্না য়াওবদি তৌররোই হায়না এলাইঅন্স অসিগী চীফ জেন্স ষ্টোল্টনবর্গনা শগোলশেল নুমিৎতা ফোংদোকখ্রে।

নেটোনা কুমজা ২০১৪ দা মসিগী খ্বাইদগী শাংবা মিলিটরি ওপরেসন লোইশিনখি অমসুং ফ্রন্টলাইন দ্যুটিশিং অফঘান মিলিটরিদা শিন্নখি অমসুং এদভাইস অমসুং ট্রেনিং পীবগী মিসনদা ওইনা লৈখি। তৌইগুম্বসুং টালিবাননা হন্দক ইনৌ নৌনা অমুক পাঙ্গল ফুদোরকপদগী লাল অদু থুনা লোইশিনবা য়ারগনি হায়বগী থাজবশিং হন্থরকখি।

ইসু অদুগী মতাংদা খন্নবগীদমক্তা ব্রসেলজদা দিফেন্স মিনিষ্টরগী মীফমগীদমক্তা থুংখিবা ষ্টোল্টনবর্গনা হায়খি মদুদি, নেটোগী মীচং লৈবাক ২৯ না লান্মী লিশিং কয়া হেনগৎহন্নবা খন্নরি। অফঘানিষ্টানদা ত্রুপশিংগী মশিং হেনগৎহনবগী ৱাফম অসি মহাক্লা কনফার্ম তৌবা ঙমই হায়না নেটোগী চীফনা ফোঙদোকখি।

মসি ট্রেনিং, এসিষ্টেন্স, এদভাইসকা মরী লৈনৈ। মসি কম্বেট ওপরেসনশিং কন্দক্ত তৌনবা নৎতে তৌইগুম্বসুং অফঘানশিংনা লালহৌবশিং থেংনবদা মতেং পাংনবনি।

হৌজিক অহেনবা ত্রুপশিং থাজিনবনা অফঘান স্পেসল ফোর্সশিংগী থৌনা হাপকনি, কাবুলগী এয়র ফোর্সকী ফিভম ফগৎহনগনি অমসুং ওফিসরগী ট্রেনিং হেনগৎহনগনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

ষ্টোল্টনবর্গনা ত্রুপশিংগী চপ চাবা মশিং পীখিদে তৌইগুম্বসুং দিপ্লোমেটিক ছোর্সশিংনদি ত্রুপ মশিং অহেনবা ওইনা ৩০০০ ফাওবা থাবা য়াই হায়না ফোঙদোক্লি।

অফঘানিষ্টানদা নেটোনা পাইখৎলিবা রিজোল্যুট সপোর্ট মিসনদা হৌজিক এলাইঅন্স অসিগী লান্মী ১৩,০০০ রোম লৈ। মখোয়গী মনুংদা তঙখাই অমরোমদি যু এসতগীনি।

যু এসকী দিফেন্স সেক্রেটরি জিম মাতিসনা শগোলশেনগী অথেংবদা মীচংশিংদা ব্রীফ তৌগনি তৌইগুম্বসুং মদুদা অকক্লবা ত্রুপ মশিংদি পল্লোই হায়না ষ্টোষ্টনবর্গনা ফোঙদোকখি।

অফঘান গভর্ণমেন্টদা মতেং পাংনবা ঐখোয় পুম্নমক্লা অহেনবা ত্রুপ কয়া থাগদগে অমসুং লৈবাক অদুদা পোলিটিকেল সোলুসন পুরক্লবগী লম্বী অমা লাকহনগদগে হায়বগী মতাংদা ঐখোয়না য়েংশিনগনি ষ্টোল্টনবর্সনা ফোঙদোখি।



HL-B/3834/27/04-27/05

## EMPLOYMENT NEWS

**NABARD Recruitment – National Bank for Agriculture and Rural Development – 09 Assistant Manager (Protocol & Security Service) Vacancy**
**Last Date 12 July 2017**

NABARD Recruitment 2017

National Bank for Agriculture and Rural Development (NABARD) invites Applications for the post of 09 Assistant Manager (Grade 'A') in the Protocol & Security Service. Apply Online before 12 July 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**NABARD Job Details :**

**Post Name :** Assistant Manager (Protocol & Security Service)
**No of Vacancy :** 09 Posts
**Pay Scale :** Rs.28150-55600/-
**Eligibility Criteria for NABARD Recruitment :**

**Educational Qualification :** Candidates should be an Officer with a minimum of five years' of Commissioned Service in the Army/Navy/Air Force.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** Minimum & Maximum age limit is 25 to 40 years As on 01.06.2017
**Job Location :** Mumbai (Maharashtra)
**Selection Process :** Selection will be based on Interview.
**Application Fee :** SC/ST Candidates have to Pay Rs.100/- & Rs.750/- for all others Candidates through Master/ Visa/Rupay Debit or Credit Cards or Internet Banking, IMPS, Cash cards/Mobile Wallets by providing information as asked on the screen.
**How to Apply NABARD Vacancy:** Interested Candidates may apply Online through the website https://www.nabard.org from 21.06.2017 to 12.07.2017.
**Important Dates to Remember :**
**Starting Date for Submission of Online Application:** 21.06.2017
**Last Date for Submission of Online Application & Fee:** 12.07.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : https://www.nabard.org/auth/writereaddata/CareerNotices/2106171030P%20&%20SS%20Advt%202017-Grade%20A%20for%20website.pdf
**Apply Online :** http://ibps.sifyitest.com/nabardpssjun17/

**NABARD Recruitment – 91 Assistant Managers Vacancy – Last Date 10 July 2017**

National Bank for Agriculture and Rural Development (NABARD) invites Applications for the post of 91 Assistant Managers in Grade 'A' (RDBS) in various Discipline. Apply Online before 10 July 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**NABARD Job Details :**

**Post Name :** Assistant Managers in Grade 'A
**No of Vacancy :** 91 Posts
**Pay Scale :** Rs.28150-55600/-
**Discipline wise Vacancy :**

**General :** 46 Posts
**Economics :** 05 Posts
**Agriculture :** 06 Posts
**Agriculture Engineering :** 02 Posts
**Plantation & Horticulture :** 04 Posts
**Animal Husbandry :** 05 Posts
**Fisheries :** 03 Posts
**Food Processing :** 03 Posts
**Forestry :** 03 Posts
**Environmental Engineering :** 03 Posts
**Water Resource Development & Management:** 04 Posts
**Social Work :** 02 Posts
**Chartered Accountant :** 03 Posts
**Company Secretary :** 02 Posts
**Eligibility Criteria for NABARD Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For General :** Bachelor's Degree in any subject from a recognized University with a minimum of 50% marks (SC/ST/PWD applicants 45%) in aggregate or Post Graduate degree with a minimum of 50% marks (SC/ST/PWD applicants 45%) in aggregate or Ph.D OR Chartered Accountant /Cost Accountant / Company Secretary with Bachelor's degree OR Two year full time P.G. Diploma in Management / full time MBA degree from institutions recognized by GOI / UGC with Bachelor's Degree in any discipline.
**For Agriculture :** Bachelor's Degree in Agriculture from any recognized University with a minimum of 50% marks (SC/ST/PWD applicants – 45%) in aggregate or Post Graduate degree in Agriculture with a minimum of 50% marks (SC/ST/PWD applicants 45%) in aggregate.
**Notice :** all others discipline wise qualification as per official notification
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** Minimum & Maximum age limit is 21 to 30 years As on 01.06.2017
**Job Location :** Mumbai (Maharashtra)
**Selection Process :** Selection will be based on Preliminary Online Examination, Main Online Examination & Interview.
**Application Fee :** SC/ST Candidates have to Pay Rs.150/- & Rs.800/- for all others Candidates through Master/ Visa/Rupay Debit or Credit Cards or Internet Banking, IMPS, Cash cards/Mobile Wallets by providing information as asked on the screen.
How to Apply NABARD Vacancy: Interested Candidates may apply Online through the website https://www.nabard.org from 19.06.2017 to 10.07.2017.
**Important Dates to Remember :**
**Starting Date for Submission of Online Application :** 19.06.2017
**Last Date for Submission of Online Application & Fee :** 10.07.2017
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** https://www.nabard.org/auth/writereaddata/CareerNotices/1906175837Advt%202017-Grade%20A-Final%20for%20website%2016.33%20hrs%2019%20June.pdf
**Apply Online :** http://ibps.sifyitest.com/nabardrdbsmay17/